# মণিপুরী ফিল্মদা ঈশৈনা পীবা ইথিল অমদি হৌজিক্কী ফীভম - ১

- নানি -



মণিপুরী ফিল্মসি ইন্দিয়া অমদি মালেমগী ওইনা য়েংনবদা খরা থেংনা হৌরকই হায়বা য়াই। ফিল্ম কাপ্পা উৎপা হায়বদুনা অমনি। ফিল্ম পুথোক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগী মশক অমা লেপথোরকপদি থোইদোক্লা কুইদ্রি। মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্কে হায়না থৌরাংমক তৌদ্রবসু ফিল্মগী কান্নবা অমদি মসিগী মশক অমা থোক্লবা হোৎনরকপশিংগী মনুংদদি লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা আর কে প্রিয়োবর্তনি হায়বা য়াই। মসিগী মখা তারকপদা মতম অমগী থৱায় য়াওজবা মীওই খরনা পুনশিল্লগা শ্রী গোবিন্দজি ফিল্ম প্রদক্সন হায়বা অমা লীংখৎতুনা রুপমহল থিএটরনা মায় পাক্লা শান্নখিবা মাইনু পেমচা হিন্দিদা নমদুনা য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লকপা অসি ঐখোয়না শিংথাদবা য়ারোই। রীল কুন হেন্না নমখিবা ফিল্ম অসি মপূং ফানা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌদুনা মীয়ামদা উৎপমক্তি ওইথোকখিদে। অদুবু মসিনা মণিপুরী ফিল্ম ওইরক্লবা ঈহৌ অমা কন্না শাগৎখি হায়বা অদুমদি মশিং থোক্তবা য়ারোই। মসিগী মতুংদা অমুক ১৯৬০গী অঙনবা মতমদগী হৌনা লৈখিদ্রবা X-Cine Photo Studio গী প্রোপ্রাইটর ঐগ্যা কে ইবোহল শর্ম্মনা দোক্যুমেন্টরি অমদি ফিচর ফিল্ম কয়া নমদুনা মশাগী ফোটো ষ্টুদিওদা চামদুনা চাংয়েং তৌখিবা, টেপ রেকোর্দর অমদা সাউন্দ রেকোর্দিং তৌদুনা পিকচরগা চান্ননা থারগা মীয়ামদা অপিকপা স্কৃন্দা উহনবগী থৌরাং অসিসু য়াম্না মরু ওইবা মণিপুরী ফিল্মগী তাঙ্কক অমনি হায়না লৌবা য়াই। কুমজা ১৯৭২দদি সেন্সর লৌদুনা কে টি ফিল্মনা সনা লৈবাক মণিপুর হায়বা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা পুথোক্লবা মতুংদা মতমগী মণিপুর হায়বা ফিচর ফিল্ম অসি মীয়ামদা পুথোরকখি। ফিল্ম অসিনা মণিপুরী ফিল্মগী চপ চাবা মশক অদু উথোরকপা হৌখিবনি।

মণিপুরী ফিল্ম মতমগী মণিপুর হায়বা অসি হেক পুরকপদগী হৌনা ইন্দিয়ন ম্যেনষ্ট্রিম ফিল্মগী মশাজত্তা যূম্ফম ওইদুনা লাকই। মসিগী মরু ওইবা মরম অমা হায়বা তারবদি ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা অসি হৌজিক্লা কোলকটা হায়রবা অদুদগী দেবকুমার বোসনা দিরেক্সন পীবা অদুগা ফিল্মদুগী অয়াম্বা শরুক কোলকটাদা সেট শেমদুনা নম্বনসু অয়াম্বা ওইগনি খল্লি। মতমদুদা লৈরম্বা ম্যেনষ্ট্রিম ফিল্মগী মওং মতৌ অসি - ফিল্মগী ৱারী অদু ইমুং-মনুংগী ওইবা ক্রাইসিস, প্রোব্লেম, ইস্যুদা যূম্ফম ওইবা নুংশি নুংওনগী তাঙ্কক কয়াদা লৈরিবা কায়নবা, থুংনবা, চাক্লবা কয়াদা হৈজিন্দুনা মীৎফম থম্বা, মশক মতৌ চঙখোনবা এক্টর এক্ট্রেস পুথোক্তুনা মরু ওইবা রোল (হিরো/হিরোইন) কুমহনবা, মথেল কয়াগী মীৎ-থক জগোয় অমদি নুংঙাইবা-নুংওনবা ঈশৈগী তান্থা শীজিন্নদুনা মীয়ামগী পূক্নিং খোনবা অমদি অয়েংবশিংগী ইমোসন হৈদোরক্লবা হোৎনবা অসিনা মরু ওইবা ওইরম্মী। মদুনা মখোয়গী শেন দাল লম্বী অচৌবা অমা ওইরক্তুনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি শেমগৎলকপা অসিনি। বোম্বে ফিল্মগী মওং অসি হোংদনা পরিং নাইনা চত্থরকই। মসিবু ময়াম্না formula hindi film হায়না খঙনৈ। মসিদগী খরা থৈদোরক্লগা লাক্লিবা ইন্দিয়ন ফিল্মশিংগী মনুংদা রিজনেল ফীলিংস টচ য়াওবা মখলগী ফিল্ম অসিবুনা রিজনেল ফিল্ম হায়না সাউথ ইন্দিয়াগী ফিল্মশিং অমদি বেঙ্গোলি (কোলকটা) ফিল্মশিং খঙনরিবা অসিনি। হৌজিক্তি রিজনেল ফিল্ম অসি ইন্দিয়ন ফিল্মদা য়াম্না চাওখৎলবা নিংথিনা ফিদা অমা কঞ্জবা ঙম্লবা অমদি রিজনেল ফিল্মনা ইন্দিয়ন ফিল্মগী মশক অসি লেপ্পক্লবা মতম অমা ওইরে। রিজনেল ফিল্মদদি শেন্দোংগী ৱাফম থোইনা লৈতে, nationwide distribution তৌদুনা শেল তান্দুনা ইন্দষ্ট্রি অমগী থাক অদুমক্কী ফিদা অদু য়ৌনা পুথোকপা নত্তে।

হিন্দি ফিল্ম অমদা ঈশৈসি মখল ১০ হেন্না য়াওবা থেংনখ্রে। য়ামদ্রবদা ঈশৈ ৫/৬তগী তাদনা অদুম য়াওনৈ। ঈশৈশিং অদু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নে। মীয়াম্না হেন্না পামহন্নবগী থবকসু রেদিও চেনেলশিং অসিনা মীয়ামদা পী। ফিল্ম অমা রিলিজ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফিল্মদুগী ঈশৈ অদু হান্না ঙন্না থাদোরকই, মদুনা অচৌবা এদভর্টিজমেন্ট অমা ওইহল্লি। মতম অমা যূম-যূমদা গ্রামোফোন প্লেয়র লৈনরম্মী, অদুনা যূম খুদিংদা অনৌবা ফিল্মগী ঈশৈ রেকোর্দ অসি লৈনৈ। মসিদা নত্তনা ওল ইন্দিয়া রেদিওনা অমদি অতৈ রেদিও চেনেলশিংনা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না নোংমদা শন্দোকই। হন্না হন্না তারবা ঈশৈ অদু ফিল্মদা য়েংনীংবগী খম থেংবা ঈখৌ লাংবা অদু মীয়ামদা পোকহল্লবা মতুংদা



ফিল্মনা কোন্না ঈংনা রিলিজ তৌরকপনি। চিনফা পুরবা ঈশৈশিং অদু ফিল্ম লাকপদা য়াম্না য়েংনীংই, এক্টর কনানা এক্ট তৌই, মফম কদাইদা নম্মী, ঈশৈ, লোকেসন অমদি এক্টরশিংগী অপূনবা শকলোনশিং অদু মীয়াম্না য়াম্না য়েংবা পামনৈ অদুনা ফিল্ম অদু হেক রিলিজ তৌরকপগা মীয়াম্না ইন্নদুনা টিকেট ককনৈ। ঈশৈনা পংফদা ফজরগা ফিল্মদদি কয়া ফজদবা য়াওদবসু নত্তে। ফিল্ম য়েংলুরগা নীংবা কায়বসু অদুম য়াওনৈ। অদুবু ঈশৈদুগী ময়াইনা ফিল্মদু হন্না-হন্না য়েংনীংবা পোকহন্দুনা ঈশৈ য়াওবা মপা অদুতং য়েংজগে হায়না টিকেট কক্লবা য়াওদবা নত্তে। মসিনা তাক্লিবদি ফিল্ম অমদা ঈশৈ অমগী মপাঙ্গল অসি য়াম্না কল্লি, ঈশৈদুনা ফিল্মবুসু অয়ৌবী থাক্তা চিংখৎলি হায়বসিনি। অদুনা ফিল্ম অমদা য়াওবা ঈশৈ নম্বদা প্রদ্যুসর/দিরেক্টরশিংনা অঙম্বা কোক থাদদুনা ফিল্ম নম্বদা চঙবা শেনফমদগী ঈশৈ নম্বদনা হেন্না থাদদুনা মায় পাক্লবা হোৎনৈ। অদুদনি ফিল্মগী ঈশৈ, এক্টিং তৌবদা এক্টর অমদি এক্ট্রেসশিংনা মখল কয়াগী ফিজোল হোংদুনা, লৈকোল, চীংয়া অমদি সেট কয়া মতম চংনা শেমদুনা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা। মরম চাবা চাদবা থিদনা, কলচরগী-চৎনবীগী ৱা থৈদোক্লগা অয়েংবশিংগী মীৎ থাকপা-থুপনবা লোকেসন মফম হোংদুনা উন মরক্তা, সমুদ্র ঈয়াইদা, ফজবা লৈকোলদা চেল্লিবা-চোঙলিবা অসিনি। ঈশৈ নম্বগীদমক এরোপ্লেন, হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা অতিয়াদা ফাওবা ঈশৈ শক্লিবা অসিনি।

মণিপুরদা অঙনবা মতমদা য়ৌরকখিবা ফিল্ম অসিদি বোম্বেগী হিন্দি ফিল্ম হায়না খঙনরিবা অসিনা অয়াম্বনি। মসিনা লমদম অসিগী ফিল্ম য়েংলিবশিংদা, মদুগী মচু-মমেন অমদি ফজবা ঈশৈ অমদি জগোয় কয়ানা মীৎ-না থকহন্দুনা ফিল্মগী মহাউ অসি নাখৈ শেংনা হিন্দি ফিল্মনা পীদুনা লাকপনি। অদুনা হিন্দি ফিল্মদা চুশিল্লবা ফিল্ম য়েংগদবশিংসু ফিল্ম পুথোক্কদবসু মায়কৈ অসোমদা লোইনা চৎতুনা হিন্দি ফিল্মগী মমি অসি লমদম অসিদসু য়াম্না নাখৈ শেংনা মমি তাই। অদুনা ঐখোয়গী ফিল্মশিংদসু ঈশৈগী চাউরবা মফম অমা কনবগা লোয়ননা ফিজেৎ-লৈতেং, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, ৱারীগী মচৎসু হিন্দি ফিল্মগী মমি অসি য়াম্না তাবা উরিবনি। মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎ অসি অনী থোক্লা য়েংবা য়ারে। অহানবদা ব্লেক এন্দ হ্বাইটতগী হৌরকপা সেল্লুলোইদ ফিল্ম অমদি অনীশুবদা দিজিটেল ফিল্ম হায়না খঙনরিবা হৌজিক্কী ফিল্ম অসিনি। অহানবা মখলগী ফিল্মগী ঈশৈশিং অসি হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরি। ঈশৈ খুদিংমকসু মপানগী মতৌগুম্না ম্যুজিক দিরেক্টরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না চঙখোন্না লমদম অসিগী সুর পান্দুনা রেকোর্দ তৌনরম্মী। অদুনা ঈশৈশিং অদু মপাঙ্গল কন্না হৌজিক ফাওবা হিংবা ঙম্লিবনি। মণিপুরী সেল্লুলোইদ ফিল্মগী ঈশৈশিংদা ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা শৈশকশিংদা যূম্ফম ওইরগা শেমখিবা ঈশৈ খরদং পনবা তারবদি - “থা থা থাবুংতোন, ঙাল্লি চিক্লা নোংমদোন” (ফিল্ম - মতমগী মণিপুর, ম্যুজিক দিরেক্টর - এ শ্যাম শর্ম্মা, সিঙ্গর কমলা); “লমজা লমজা কৌগেনে নহাকপু” (ফিল্ম - লমজা পর্সুরাম, ম্যুজিক দিরেক্টর - শ্যাম); “পারি চীংনুংগী হরি খোংলক্লে তাও, উথুমনা তুম তুম শৈথারে তাও, তাওবা হুইসু খোংলক্লে তাও, তানা তানা সনামতুম, খোমলেন তূমখুন তাল্লো” (ফিল্ম - ঙক-ই-কো নঙসে, ম্যুজিক দিরেক্টর - নোংমাইথেম পহারি, সিঙ্গর - অরাম্বম জমুনা); “খোয়ুমগুম্না শকলোৎপা নোংথাংগুম্না চিকমাঙবা”, “ঙসি কোরৌ নোংজাদা, খুমন পাখঙ ইবুংখোই, চনুরা ওইবী ঐখোয়গা পাউখোঙ চন্নসি”, “মপোক লাংওন খুদিংদা” (ফিল্ম - শাফবী, ম্যুজিক দিরেক্টর - এ শ্যাম শর্ম্মা, সিঙ্গর - অরাম্বম জমুনা, খুন জয়কুমার অমদি জমুনা, এ শ্যাম অমসুং জমুনা); “হা থম্বাল নুংশিরবী”; “ইতা মাঞ্জা কাদা চৎলনি” (ফিল্ম - য়াইরিপোক থম্বালনু, ম্যুজিক দিরেক্টর - নোংমাইথেম পহারি, সিঙ্গর - এন পহারি, কমলা); “হা পেমচা লাইবক চাউবী, ঙসিদি লোইরে লোইরে, মাঙলেদো লোইরে লোইরে”, “কোম্বীরৈ য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ” (ফিল্ম-কোম্বীরৈ, ম্যুজিক দিরেক্টর- এ শ্যাম শর্ম্মা, সিঙ্গর - এ শ্যাম, খুন জয়কুমার অমদি কমলা); “সিবু থোইনা হরাওবা”, (ফিল্ম - ইঙাল্লে, ম্যুজিক দিরেক্টর - খুন জয়কুমার, সিঙ্গর- এ বিমোলা); “অঙানবনা নাথৈবীরম্লবী” (ফিল্ম অমম্বসু অঙানবনি, ম্যুজিক দিরেক্টর - ঐচ নবা, সিঙ্গর - পিশক) অসিনচিংবা পনবা য়াই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০১।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
পোইনুগী ২৭নি পানবা।

মেষ : নচাক নরলদা মীৎয়েং চংবা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি শেল চিনবা নুমিৎনি। থেংলপ্পা লন চংবা, ইমুং-মনুং ৱা তানবনা হেন্না চাওখৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : মৈনা তাথিবা, মরুপ্পা চানবীবা ৱাৎপা অমদি শিখাং খাংবনা য়েংথিনবসু লৈগনি। লাইবক ফবনা খন্থুরগা পাংবা থবকশিংদি লেম্নমক মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : নরল চাওখৎপগী নুংঙাইজবা অমদি য়েক্লববু ঙমজদুনা শেল অমদি ওইজবা ফংবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইজবা অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক থোইনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : অফা অপুন্নবা অমদি থাজদনা নক্লবনা চোপহনবা য়াবা লৈ-ৱাঙাঙ হৈয়ু। লৌশিংদি চাওবনা অমদি থেংলপ্পা নুংঙাইবা পাউ তাজবা য়াবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : অনম তানগনু অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু। য়েংথিবা খরা লৈরসু থৌদি পাংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি অমদি নক্লবশিংগী মতেং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : য়েক্লবা কোকপা নুমিৎনি। ৱাখলগী পাঙ্গল কল্লি অদুনা মীগী থৌইনশিল লৌদনা চুমলে খনবদুদমক থৌ পাংবনা য়াইফগনি। ঈংথবনা পামদবা নংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। নচা ননাই অমদি মরুপ্পা ৱারৌবা য়াবা লৈ অমদি নকন্থিনা মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : হরাওবা, নীংবা থুংবা, লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকপা ঙমদে অমদি মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু : মীয়াম্না চানবীবা, ইমুং-মনুং পুন্না থৌপাংবা অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা নুমিৎনি। অঙম্বনদি কোক শাহনগনি অমদি হোয়া ফবনা কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : অশাওবনা মাঙওইনগনু অমদি ৱাফংনবা তৌগনু-মাঙজবতা ওইগনি। লাংতক্লবা থাদোকউ। অদুবু নিংথিনা খন্থুরগদি শোয়দনা নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ : থিবা হুম্বা কন্দ্রদি অমদি হৈশিংবা শারবদি চাদিং হেনগনি/কায়নবা নংগনি। নচা-ননাইদি হেনগৎকনি অমদি মীংচৎ ফংবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌরদি মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন : হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, লৌশিং তানবৈ থবক্তা মায় পাকচবা অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নক্লবশিংগা লোয়ননা চৎনবা হোৎনবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।





নুপী অমা ট্রাফিক রুল থুগায়দুনা গাড়ি থৌরম্মী। মদু হেক উবগা ট্রাফিক পুলিসনা নুপী অদু ফারম্মী।

নুপী : ঐবু থাদোকপীরো শোয়খ্রে, ঐ ওজা অমসুনি।

ট্রাফিক পুলিস : নুমীৎ অসি চহী কয়াদগী ঐ ঙাইদুনা লাকপনি। ফরে, তুংদা ট্রাফিক রুল অমুক হন্না থুগায়ররোই হায়না চাম্মরক ইয়ু ...!

- - - - - - - - - - - - - - - -

নাওচা (তোম্বাদা) : ঐ লুহোংবদা নুপী মপামদগী বি এম দল্লিয়ু অমা ফংই...

তোম্বা : য়াম ফৈনা দুদি, অদুবু নঙগী ননাক্তদি কার অমত্তা উদেনা?

নাওচা : হেরা! বি এম দল্লিয়ু হায়বদি ‘বিগ মোটি ৱাইফ’ হায়বনি...!

- - - - - - - - - - - - - - - -

চাকনিবা : ওজা, লুপা ২০ খক পীয়ু চা থক্কে।

ওজা : চাদি শুপ্নগী লুপা ১০ খক পীবনি?

চাকনিবা : ঐগী গর্লফ্রেন্দগা থকমিন্নগদবনি।

ওজা : নঙগী গর্লফ্রেন্দসু লৈবরনে?

চাকনিবা : ওজা, গর্লফ্রেন্দনা ঐবু চাকনিবা ওইহনবনি।

- - - - - - - - - - - - - - - -

টিচর : অঙাংশা হায়য়ু মোঙ্কি হায়বসি মণিপুরীদা করি হায়গনি?

মহৈরোয় : য়োং

টিচর : লাইরিক্তা য়েংলগা হায়য়ু।

মহৈরোয় : ঐদি ওজাদা য়েংলগা হায়বনি।

- - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী থিরবা নুপা অমদা মীওই অমনা হংই...

করিগুম্বা নঙগী নুপী অদু ভুটনা ফাখ্রবদি করি তৌগনি...

নুপা : ঐ করি তৌ হায়বনো মদুদি ফারিবা ভুট অদুগী মরালনি...

- - - - - - - - - - - - - - - -

মপুনা মাগী মীনাইদা হায় : মপান্দা নুমীৎ থোক্লবরা অমুক্তা য়েংউ।

মীনাই : মপান্দদি মম্মী সর।

মপু : করিনো মম্লী হায়রিদুবু টোর্চ লাইট থাল্লগা য়েংউনে ...!

- - - - - - - - - - - - - - - -

মচানুপা : বাবা, ইমাদা করি মগুন উবদগী বাবানা ইমাবু লুহোংলগা লৌরিবনো?

মপা : নখোয় ইমাগী চিনবান ময়াদা থুংবা শম্বু অদু উরুবদগী নঙগী ইমাবু লুহোংদুনা লৌখিবনি।

মচানুপা : বাবা, নঙসু অঙকপনি ! শুপ্নগী অপিকপা শম্বু মচা অমগীদমক অদুক তোন্না পুন্সি লেল্লিদুবু ...!

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Scenery
By: Anilambani Wakambam
Class: Nursery Sec: Roll No. 1






Title: Manipur Culture
By: L. Benedik
Class: VII Sec: Roll No.
School: Maheilen Boarding Haotal






Title: PokeMon
By: S. Lamnganba
Class: III Sec: Roll No. 7
School: Maheilen Education and Tuition Centre





Title: Bye Bye & New Year
By: H. Dishan Meitei
Class: VI Sec: Roll No. 1
School: Maheilen Boarding (Haotal)



Title: Sun Flower
By: Kh. Yaiphabi
Class: Nursery Sec: B Roll No.
School: Era's English School, Ningthoukhong



Title: Four Arms
By: Ngasepam Krishnan Singh
Class: KG Sec: Roll No. 1
School: Alpha & Omega School



Title: A Lady
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: IV Sec: B Roll No. 63
School: Nirmalabas High School



Title: Meetei Chanu
By: Pibathoi
Class: III Sec: Roll No. 9
School: Maheilen Boarding & Tuition Centre



Title: Scenery
By: Tijendra Laikhuram
Class: IV Sec: Roll No. 36
School: Sacred Hearth English School, Yairipok

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।